# অফঘানিষ্টানদা টালিবানননা চথুরকখিবা এটেকতা পুলিস পর্সনেল ৮ শিখ্রে



কাবুল, ফেব্রুৰারি ২২ (এজেন্সি): টালিবান ফাইটরশিংনা ময়াই থংবা অফঘানিষ্টানদা লৈবা ঘাজনি প্রোভিন্সকী সিক্যুরিটি পোষ্ট অমদা এটেক চথুরকপদা পুলিস পর্সনেল ৮ শিরে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

প্রোভিন্সিয়ল গভর্নরগী স্পোক্সমেন অরিফ নুরিনা হায়খি, অফবা মখলগী খুৎলায় পায়বা টালিবান ফাইটরশিংনা মায়কৈ মরিদগী সিক্যুরিটি পোষ্টতা পুং অনীরোম এটেক চথুরকখি। থৌদোক অদুদা পুলিস পর্সনেল ৮ শিখিবগা লোয়নননা অতোপ্পা অমা অশোক-অপন নংখি। থৌদোক অদুগী পাউ হেক ফংবগা অহেনবা সিক্যুরিটি পর্সনেল কয়া মায়কৈ অদোমদা চঙশিনখি অদুবু রিইনফোর্সমেন্ট টিম থুংলবা মতমদা টালিবান ফাইটরশিং মাঙজৌননা মফম অদু থাদোক্তুনা চৎলল্লে হায়না স্পোক্সমেন অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, টালিবানগী স্পোক্সমেন জাবিবুল্লা মুজাহিদনা থৌদোক অদুগী মতাংদা ক্লেম তৌরকখ্রে। এজেন্সিদা থাদোরকখিবা ৱারোল অমদা স্পোক্সমেন অদুনা হায়খি মদুদি সেন্ট্রেল ঘাজনি প্রোভিন্সকী সিক্যুরিটি পোষ্ট অমদা চথুখিবা এটেকতা পুলিস পর্সনেল ৯ হাৎপা ঙম্লে। অতোপ্পা পুলিস পর্সনেল অমনা হিংনা ফাবা ঙমখি।

হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতসু নংগরহার প্রোভিন্সকী কোনুং জলালবাদতা লৈবা হোটেল অমগী কা মনুংদা থোকখিবা বোম পোকখায়বগী থৌদোক্তা ট্রাইবেল অহল অহুম শিবা লৈখ্রবনি। থৌদোক অদুগী মতাংদা হৌজিক ফাওবা কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা ক্লেম তৌরকপা লৈত্রি।

ফেব্রুৰারি ১২ দসু টালিবান ফাইটর অমনা খা থংবা হেলমন্দ প্রোভিন্সতা গভর্নমেন্ট শৌগৎপা মিলিসিয়া ফোর্স অমগী মেম্বর ১৬ নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎপা লৈখ্রবনি। অফঘান সিক্যুরিটি এজেন্সিনা টালিবানগী মথক্তা লৌখৎপা থৌরাংদা মতেং পাংনবগীদমক শেমগৎখিবা মিলিসিয়া ফোর্সতা হন্দক মরক মিলিটেন্টশিংনা মখল-মখা কয়াগী এটেক তোয়না চথুরকখি।

হেলমন্দ প্রোভিন্সকী গভর্নরগী স্পোক্সমেননা হায়খি, টালিবান ফাইটর অমনা চথুরকখিবা এটেকতা গভর্নমেন্ট ফোর্সেসকা পূন্না থবক তৌমিন্নবা মিলিসিয়ামেন ১৬ শিখি।

# ফ্লোরিদাদা মহৈরোয়শিংনা খোঙজং চঙশিন্দুনা নোংমৈ য়োলহন্দনবা তকশিনখ্রে



টলাহাসি, ফেব্রুৰারি ২২ (এজেন্সি): য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী পুৰারীদা অনীরকশুবা ওইনা খ্বাইদগী তমথীবা মওংদা পব্লিক স্কুল অমদা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা মীওই ১৭ শিখ্রবা মতুংদা থৌদোক অদুদা হিংহৌবা মীওইশিংনা ঙসি ফ্লোরিদাগী কেপিটেল সিটিদা অচৌবা খোঙচৎ চৎখ্রে।

ফেব্রুৰারি ১৪ দা মীওই অমনা ফ্লোরিদাগী পার্কলেন্দদা লৈবা মারজরি ষ্টোনমেন দোগ্লাস হায় স্কুলদা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা মীওই ১৭ শিখিবনি। থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা খোঙজং চঙশিল্লকখিবা মীওইশিংনা নোংমৈ লৈবা-য়োনবা অমসুং পায়বগী মতাংদা অনৌবা লো শেম্বা মথৌ তাই হায়না ফোঙদোকখি।

ইনভেষ্টিগেটরশিংনা হায়খিবনি মদুদি মারজরি ষ্টোনমেন দোগ্লাস হায় স্কুলদা তম্লম্বা নিকোলাস ক্রুজ কৌবা মশাগী চহী ১৯ শুরবা মীওই অমনা এ আর-১৫ রাইফল অমা লৈরগা স্কুলদা এটেক চথুরকখিবনি।

লমচৎ শাজৎ ফজদে হায়বগীদমক স্কুলদগী তান্থোকখ্রবা মহৈরোয় অদুনা লমন খুম্বগী মওংদা চথুরকখিবা এটেকতা মরাল লৈজদ্রবা মহৈরোয় অমসুং ওজা কয়া শিখিবগী থৌওং অদুবু খোঙজং চঙশিল্লকখিবা মীয়াম্না অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

হীরম অসিগী মতাংদা মহৈরোয় শিংগী মমা-মপা অমসুং ওজাশিংনা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকা উনদুনা ৱারী শাননবা থৌরাং লৌখৎখ্রে। পনবা য়াবদি, ফ্লোরিদা ষ্টেটকী সিনেটনা অনৌবা গন কন্ট্রোল বিল অমা পুখৎনবগী মতাংদা সিনেট প্রসিদেন্টকা ৱারী শাননবা থৌরাং লৌখৎপা লৈখ্রবনি।

মার্চ ৯ ফাওবা সিনেটকী মীফম পাঙথোক্কদবা মরম্না হায়রিবা মতম অসিগী মমাঙদা লোমেকরশিংনা হীরম অসিগী মতাংদা অনৌবা লেজিসলেসন অমা পাস তৌহৌবা মথৌ তাই হায়না ফ্লোরিদাগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা মহৈরোয়শিংগী মমা-মপা কয়ানা এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা মীচম মীয়াম্না নোংমৈ পায়রগা থোকহল্লকপা ক্রাইম অমসুং হাৎন-শুনবগী থৌদোক মতম পূম্বগী ওইনা থিংনবা থৌরাং লৌখৎলগনি হায়না ফোঙদোকখ্রবনি।

# মার্চতা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল মমাঙদা রসিয়ন ওপোজিসন লীদর ফাজিনখ্রে



মোস্কো, ফেব্রুৰারি ২২ (এজেন্সি): প্রসিদেন্ট খনবগী মীখল পাঙথোক্ক-দৌরবা রসিয়াদা ওপোজিসন লীদর অলেক্সি নভালনি পুলিসনা ফাজিল্লুরে। ত্বিটরদা থাদোরকখিবা ৱারোল অমদা নভালনিনা হায়খি মদুদি ডেন্টিষ্ট অমগী মনাক্তগী থোরকপদা পুলিসনা মহাকপু ফাজিল্লগা মতম খরা চৎথোক-চৎশিন তৌবা য়াহন্দনা থমখি।

মার্চ ১৮ দা পাঙথোক্কদৌরিবা প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলদা শরুক য়াহন্দনবগী পান্দমদা পুলিসনা মহাকপু ফাজিন্দুনা থমখিবনি হায়না ওপোজিসন লীদর অসিনা মরাল শীখি। হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা হৌজিক হৌজিক প্রসিদেন্ট ওইরিবা ব্লাদিমির পুটিননা শোয়দনা মায় পাক্কনি হায়না থাজনরি। অদুম ওইনমক নভালনিনা লূচিংবা কাঙলূপনা লৈবাক মীয়ামদা মীখল বোয়কোট তৌনবা অপীল তৌখি।

অমরোমদা ওথোরিটিশিংনা ওপোজিসন লীদর অলেক্সি নভালনি শৌগৎপা মীওইশিংবু মীখলগা মরী লৈনবা থবক থৌরম অমত্তা লৌখৎপা য়াহন্দ্রে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে। নভালনি শৌগৎপা মীওই অমা ওইরিবা ইকনমিক এদভাইজর ব্লাদিমির মিলোবনা এজেন্সিদা হায়খি, হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলদা পুটিননা মায় পাকপা তারবসু তঙাইফদনা ফংফম থোকপা ভোট মশিং শুনা ফংদবা তারবদি মীখল অদু লোনা য়াবনি হায়না লৌফম থোক্তে।

মার্চ ১৮ দা পাঙথোক্কদৌরিবা প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলদা ওপোজিসন লীদর নভালনিবু মীরেপ ওইবা য়াহন্দনবা ৱাফম অমা ইলেক্সন কম্মিসননা লাউথোকপা লৈখ্রবনি। ৱাফম অদুমক সুপ্রীম কোর্টনা মপূং ফানা শৌগৎখিবগা লোয়নননা পুটিনবু লম্বা অমত্তা য়াওদনা মায় পাকহন্নবা লম্বী য়াংখি। সেন্ট্রেল ইলেক্সন কম্মিসননা লৌখিবা ৱারেপকী মায়োক্তা নভালনিনা অপীল তৌদুনা খোঙফম হন্দোকপীনবা হায়জখি অদুবু সুপ্রীম কোর্টনা অথিংবা পীখিবগা লোয়নননা পুটিনবু অমুক হন্না মায় পাকহন্নবা থৌরাং লৌখৎখিবনি।

# সিরিয়াদা মীচম হাৎপগী থৌওং য়ানিংদে : এঞ্জেলা মর্কেল



বর্লিন, ফেব্রুৰারি ২২ (এজেন্সি): সিরিয়াদা পাক-শন্না মীচম হাৎপগী থৌওংবু জর্মন চাঞ্চেলর এঞ্জেলা মর্কেলনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে। এজেন্সিদা থাদোরকখিবা ৱারোল অমদা মর্কেল্লনা হায়খি, অথুবা মতমদা বর্লিননা রসিয়ন ওথোরিটি-শিংগা ৱারী শানদুনা সিরিয়াদা থোক্লিবা ৱাথোক লোইশিলহন্নবা হোৎনরগনি।

টেররিষ্টশিং হাৎনবা হোৎনবদা মরাল লৈজদবা মীচম কয়া পাক-শন্না হাৎপগী থৌওং য়াবা ঙম্লোই হায়না পল্লদুনা মর্কেলনা হায়খি, সিরিয়াদা হৌজিক থোক্লিবা খূৎ থোক্লুবগী থৌদোকশিং লেপহন্দুনা মীচম মীয়াম পূম্নমক খুদোংথীবা মায়োক্লহন্দনবা বর্লিননা অথুবা মতমদা মোস্কোগা ৱারী শানরগনি। মরাল লৈতবা মীচম কয়া নোংমা কাংদনা শিবগী মতাংদা বর্লিননা তুমিন্না য়েংদুনা লৈথোক্লোই।

অমরোমদা, দমাস্কস শৌগৎপা কাঙলূপনা সিরিয়াগী অফ্রিন রিজনদা লান্মী থাজিল্লকপগী মতাংদা টর্কিনা চেকশিন ৱারোল পীখ্রে। টর্কিশ প্রসিদেন্ট রিসেপ টায়িপ অর্দোগনগী স্পোক্সমেন ইব্রাহিম কালিননা পাউগী মীফম অমদা হায়খি, মপান লৈবাক্কী লান্মী কয়া কর্দিশ ফাইটরশিং মতেং পাংবা চঙলকপনা সিরিয়াগী ৱাথোক হেন্না চাওথোকহন্নবগী মরম ওইহল্লি।

য়ুমশকৈশা নুমিৎতা সিরিয়ন কর্দিশ মিলিসিয়ানা হায়খিবনি মদুদি টর্কিগী প্লেনশিংনা অফ্রিনদা নোংথক্তগী বোম থাদরকপদা মরাল লৈতবা মীওই কয়া শিরে। ৱাই পি জি মিলিসিয়া ফাইটরশিং তকথোকখিনবগী পান্দমদা টর্কিশ সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা মমাঙ থাদগী অকনবা মওংদা লাঞ্জং অমা চথুরকখিবনি। থৌরাং অদুবু মায়োক্লনবগীদমক সিরিয়ন প্রসিদেন্ট বাসর অল অসাদকা মরূপ-মপাং ওইবা পেরামিলিটরি ফোর্স কয়া অফ্রিনদা থুংলখি।

টর্কিশ প্রসিদেন্টকী স্পোক্সমেননা মখা তানা হায়খি, সিরিয়াদা থোক্লিবা ৱাথোক অসিদা খূৎ থিংজিন্নবা হোৎনরকপা মপান লৈবাক্কী কাঙলূপ পূম্নমক অৱাফমদা তাহনগনি।

পনবা য়াবদি সিরিয়ন গভর্নমেন্টনা লালহৌবশিং লাকশিন্নবা হোৎনবদা ক্লোরিন ৱেপন শীজিন্নরে হায়না ফ্রান্সনা মরাল শীবা লৈখ্রবনি। ফ্রেঞ্চ ফোরেন মিনিষ্টর জোন দ্রিয়াননা এজেন্সিদা হায়খি, সিরিয়াদা হৌজিক হৌজিক প্রসিদেন্ট বাসর অল অসাদকী গভর্নমেন্টনা তোঙান-তোঙানবা লালহৌলূপশিং লাকশিন্নবা হোৎনবদা ক্লোরিন ৱেপন শীজিন্নবগী চপ-চাবা খুদম ফংবা ঙম্লে।

হীরম অসিগী মতাংদা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী ৱার ক্রাইমস ইনভেষ্টিগেটরশিংনা হায়খি মদুদি দমাস্কস মনাক্কী ইষ্টর্ন ঘোটা অমসুং অৱাং নোংচুপ থংবা সিরিয়াগী ইদলিব প্রোভিন্সতা হন্দক কেমিকেল ৱেপন শীজিন্নখিব্রা হায়বগী মতাংদা চপ চাবা অমা খঙদোক্লব্বগীদমক ইনভেষ্টিগেসন চথুবা হৌরে। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনসু সিরিয়াদা গভর্নমেন্টকী ফোর্সেসনা লালহৌবশিংগী মথক্তা কেমিকেল ৱেপন শীজিন্নরে হায়না মরাল শীবা লৈখ্রবনি।

অমরোমদা সিরিয়াগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা থাদোরকখিবা ৱারোল অমনা হায়খি মদুদি কেমিকেল ৱেপন শীজিন্নৈ হায়বা ফ্রান্স অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ৱাফম অদু য়ূম্ফম য়াওদবনি। সিরিয়াদা হৌজিক থোক্লিবা ৱাথোক অসি অচুম্বা মওংদা লোইশিলহন্নবা হোৎনবগী মহুৎতা য়ূম্ফম য়াওদবা মরাল পীশিন্দুনা সিরিয়ন গভর্নমেন্টকী মীংচৎ থীহন্নবা হোৎনরে হায়নসু স্পোক্সমেন অদুনা ফোঙদোকখি।


## ꯁꯦꯡꯗꯣꯛꯄ/ওন্নখিবা

তাং ২২/০২/২০১৮ ইং *হুইয়েন লানপাউ* পাউচে অসিগী লামায় ৯ (মাপন) গী কলম ৭ তা য়াওখিবা শেংদোকচবা হায়বা এদভর্টিজমেন্টদা তখেল্লম্বম হেমন্তবী অপোকপা টি কহ্নাই ঐগী ইঙ্খোল পোইন্ট ৫ ¹/₂ অসি *হুইরেম ইবেমচা দেবী মপুরোইবা হুইরেম বিরেন সিংহ কৈরাও বিত্রা লাই লৈকায়দা য়োঙ্গরে অমদি রেজিষ্টর তৌজখ্রে* হায়বদু ***খোইরোম ইবেমচা দেবী মপুরোইবা খোইরোম নিমাই সিংহ কৈরাও বিত্রা লাই লৈকায়দা য়োঙ্গরে অমদি রেজিষ্টর তৌজখ্রে*** হায়গদবনি।

*শেংদোকচরিবা ঃ* **T. Hemantabi Singh**
S/o (L) T. Kanhai Singh
Keirao Bitra Makha Leikai

*HL-P/613/23*



## ꯅꯣꯇꯤꯁ/নোটিস

অসিনা মরম ওইদুনা খঙহঞ্জরি মদুদি, ১৫-ৱাংখৈ এ/সী ৱার্দ নম্বর ২৪ গী মনুং চন্না লৈরিবা নোংপোক ইঙ্খোল অৱাং লৈকায়গী মনুংদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্না ক্লব অমদি মৈরা পায়বীগী অয়াবা য়াওদনা করিগুম্বা হীরম অমগী নৎত্রগা কনাগুম্বা অমত্তনা লম য়োনবা য়ারোই। তঙায়ফদনা য়োন্দবা য়াদবা মরম লৈরগসু ক্লব অমদি মৈরা পায়বী শুকশোয় শোয়দনা তান্নরমগদবনি। করিগুম্বা হায়রিবা ৱাফম অসিগী মায়োক্তা লাকপা খুদিংমক মশা মশাগী মরন্নাই ওইজগদবনি। মসিগা লোয়নননা নোটিস থোক্লিঙৈ মমাংদা লৈবা/য়োনবা তৌখিবা লমশিংগীসু ক্লব অমদি মৈরা পায়বীদা লাক্লিবা তাং ২৮-০২-২০১৮ ইং ফাওবগী মনুংদা রিপোর্ট পীখৎলক্লুবা খঙহঞ্জরি।

*Sd/-* **GENERAL SECRETARY**
The Nongpok Ingkhol Pioneers Club

*HL-P/5021/23*



## ꯅꯨꯡꯉꯥꯏꯕ ꯊꯥꯒꯠꯄ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯆꯔꯤ
## CONGRATULATION

**Shri Narengbam Samarjit Singh,** Chairman & Managing Director, SALAI Agro Products Pvt. Ltd, Manipur had been honoured by awarding the prestigious ***"Indian Achievers' Award for Emerging Company by Indian Achievers' Forum for Promoting Achievements which Benefit Businessers & Communities for his outstanding achievements in Business and Social Service at the 44th Indian Achievers' Seminar on "Make In India: Creating & Enabling Environment for Entrepreneurs" on 20th February, 2018*** at New Delhi. All the Players, Members and Executive Body Members of Manipur Chess Association expressed their hearty congratulations on him.

**Shri Samarjit Singh,** President, Manipur Chess Association, who has been extending many valuable services to other fields, is fully deserved to receive such a prestigious award. With his enthusiastic skills and timely actions the Manipur Chess Association can instil a sense of inspiration of its existence in full swing. The Manipur Chess Association is totally indebted to him for his valuable dedication to the Association.

We, further, wish him more and more successful in all his works in the days to come also.

***Sd/-* Th. Nabachandra Singh**
***Secretary,*** Manipur Chess Association

*HL-P/616/23*


# খুদক্তা মীখল পাঙথোক্কদবনি : অহমদিনেজাদ

টেহরান, ফেব্রুৰারি ২২ (এজেন্সি): ইরানগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা মহমদ অহমদিনেজাদনা সুপ্রীম লীদর অয়াতোলা অলি খামেনিদা থাখিবা চেরোল অমদা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট অমসুং পার্লিয়ামেন্টকী মীখল খুদক্তা পাঙথোক্কদবনি হায়না তকশিনখ্রে।

গার্দিয়ন পাউচেদা ফোঙলকখিবা অহমদিনেজাদকী চেরোল অদুনা হায়খি মদুদি খুদক্তা কাঙলোন চুম্না মীখল পাঙথোকপা নত্তনা ইরানদা হৌজিক থোক্লিবা ৱাথোক লোইশিল-হন্নবগী অতোপ্পা লম্বী লৈতে।

হন্দক্তা খোঙজং চঙশিল্লকখিবা ওপোজিসনগী মেম্বর ৩,৭০০ ইরানিয়ন সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা ফাজিন্দুনা থমখিবগা লোয়নননা মখা তানা ৱাথোক অমত্তা থোকহন্দনবা মতিক চাবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা লৈখ্রবনি।

কুমজা ২০০৯ দা পাঙথোকখিবা য়েৎননিংঙাই ওইবা প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলগা মরী লৈননা চঙশিল্লকখিবা খোঙজংগা চপ মান্নবা মওংদা মশিং য়াম্লবা মীওই কয়ানা ডিসেম্বর ২৮ দগী হৌনা ইরানগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা খোঙজং চঙশিল্লকখি। মীয়ামগী ঈহৌ লাকশিন্নবগীদমক ওথোরিটিশিংনা খোঙজং চঙশিল্লকখিবা মীওই ৩,৭০০ ফাজিনখি।


Pandit Deen Dayal Upadhyay Institute of Agricultural Sciences
Bishnupur District, Utlou, Manipur.
Affiliated to Manipur University
(Under the aegis of PanditDeenDayalUpadhyay Institute of Agricultural Sciences Society)
Regd. No. 532 of 2017 dated 30th June, 2017

*Ref No.PDDUIAS/Estd./1-2016/23*

## ADVERTISEMENT
**The 21st February, 2018**

The institute will recruit the following Teaching and Non –Teaching posts as per UGC/ICAR Service Rule for smooth and speedy functioning of the Institute.
**RR**-As per latest ICAR /UGC norm
**Pay Scale**-Rs15,600-39,100 with Grade Pay Rs 6000/-

| Sl.No | DISCIPLINE | POSITION |
|---|---|---|
| 1 | Forestry | Asst. Prof -5 |
| 2 | Agronomy, Soil Science, Agril. Statistics, Chemistry/Biochemistry, Fish Feeding & Nutrition, Aquaculture, Seed Science & Technology, Agril. Economics, Human Development, Family Resource Management | Asst. Prof -2 each |
| 3 | Mathematics, Agricultural Physics, Agril .Engineering, Crop Physiology, Home Science Extension, Food & Nutrition, Clothing & Textiles | Asst. Prof -1 each |

**NON –TEACHING**

| Sl.No | DISCIPLINE | POSITION | QUALIFICATION | Pay Scale |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Computer Operator | 2 | MCA/B.E/B.Tech(Computer Science/Information Technology. | Rs9,300-34,800 with Grade Pay Rs 4200/- |
| 2 | Lab Assistant | 6 | Intermediate Science | Rs5,200-20,000/-with Grade Pay 2,800/- |

*Note:* 
*1. Application Form can be had from the undersigned by paying Rs 1000/-.for teaching and Rs 500/-for non-teaching post.*
*2. Date of issue of form:21st February,2018.*
*3 .Last date of form submission :25th March,2018.*
*4. Interview will be held on: 5th April , 2018 onwards.*
*5. Short listed candidates will only be called for interview.*
*N.B. Those who have applied earlier need not apply again.*

Sd/- Member Secretary/Director
Pandit Deen Dayal Upadhyay Institute of Agricultural Sciences

*HL-P/611/23*


# 'ইন্দিয়া, চাইনা, নেপাল ৱারী শানগদবনি'

বৈজিং, ফেব্রুৰারি ২২ (এজেন্সি): ইন্দিয়া, চাইনা অমদি নেপালনা খুদক্তা ৱারী শানদুনা মায়কৈ পূম্নমক্তা কান্নবা ফংগদবা থৌরাং লৌখৎপা মথৌ তাই হায়না বৈজিংনা ফোঙদোকখ্রে। প্রাইম মিনিষ্টর কে পি ওলিনা লূচিংবা নেপালগী অনৌবা লৈঙাকপু থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন গেং সুৱাংনা হায়খি, ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা য়ূম্লোন্নবা লৈবাক অহুম ৱারী শানদুনা নাকল অহুমদা কান্নবা ফংগদবা থৌরাং লৌখৎকদবনি।

চাইনাগী মায়কৈদা লেপ্পী হায়না থাজনদুনা লাকখিবা কে পি ওলিনা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা নেপালগী পার্লিয়ামেন্টরি ইলেক্সনদা মায় পাকখ্রবা মতুংদা চাইনা অমদি ইন্দিয়াগী মরক্তা য়াশিন্নবা পুরক্লুবা হোৎনগনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। হোং কোংদা ফোঙবা সাউথ চাইনা মোর্নিং পোষ্টতা মহাক্না হায়খি, ইন্দিয়া অমদি চাইনাগী মরক্তা য়াশিন্নবা পুরক্লুবা হোৎনবদা নেপালনা মরুওইবা থৌদাং লৌবা পাম্মী।

ওলিগী ৱারোল অদুগী মতাংদা চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন গেং সুৱাংনা এজেন্সিদা হায়খি, চাইনানা নেপালগী অনৌবা লৈঙাক্কা পূন্না থবক তৌমিন্ননবা থৌরাং তৌদুনা লৈরে। হীরম খূদিংমক্তা চাইনা অমদি নেপাল খূৎশম্নদুনা মায়কৈ অসোমদা থোক্লিবা ৱাথোক পূম্নমক লোইশিলহন্নবা হোৎনরগনি।

ইন্দিয়া অমদি চাইনাগী মরক্তা থম্নরিবা মরীগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, য়ূম্লোন্নবা লৈবাক ওইরিবা চাইনা, নেপাল অমসুং ইন্দিয়ানা অথুবা মতমদা ৱারী শানদুনা লৈবাক অহুম্মক্তা চপ মান্ননা কান্নবা ফংগদবা থৌরাং লৌখৎপা মথৌ তাই। বৈজিংগা ট্রাঞ্জিট ট্রিটি সাইন তৌনখ্রবা ওলিগী গভর্নমেন্টনা হীরম অসিদা মরুওইবা থৌদাং লৌরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ।


JOINT ADMINISTRATIVE COUNCIL (JAC)
OF
All Manipur Trade Unions' Council (AMTUC)
AND
All Manipur Govt. Employees' Organisation (AMGEO)
*Head Office : BABUPARA, NEAR GUEST HOUSE*
*IMPHAL - 795 001, Manipur*
*E-mail : jacofamtuc_amgeo.manipur@yahoo.com*

## GENERAL COUNCIL MEETING
**Imphal, the 10th February, 2018**

No.5/S(A)/JAC/2016 : It is hereby informed to all the General Council Members ( i.e. 3 enrolled representatives of each Affiliated Units, Departments, Employees, Workers, and Pensioners' Organization ) of Joint Administrative Council of AMTUC & AMGEO, Manipur that an GENERAL COUNCIL MEETING will be held **on Sunday, the 25th February, 2018 at 11 AM** at its Office Building, Babupara, Imphal to discuss the following agenda :

**A G E N D A :**
1 Report of the Secretary General
2 Confirmation of the Resolutions passed in the last Emergency General Council. Meeting held on 8th October, 2016.
3 Statement of Accounts :
(i) For the period of 01-04-2013 to 29-06-2013.
(ii) For the period of 30-06-2013 to 20-07-2015.
(iii) **For the period of 01-09-2016 to 31-01-2018 in audited statement.**
- **Discussion thereof.**
4 Follow up action & 22 Point Charter of Demands regarding the implementation of the 7th Central Pay in-toto and Launch Indefinite Ceased Work Strike.
5 Re-Organization of the Core Committee & Executive Council.
6 Misc.

**All members concerned only** are requested to make it convenient to attend the said meeting on time positively.

***Laitonjam Biken Singh***
*Secretary General*
*Joint Administrative Council of AMTUC & AMGEO,*
*Manipur # 9863309883.*

N.B. :
1. **No authorized persons /members will be allowed to attend the meeting.**
2. **For further detailed information please contact : # 9863309883,**
**Or Visit - www: facebook.com/Joint Administrative Council of AMTUC & AMGEO, Manipur.**

*HL-P/605/23*